# হরপিস জোসটর (শিঙ্গলস)

SAATHII Solidarity and Action Against The HIV Infection In India

## সিঙ্গলস হায়বা অসি করিবু খঙনবগে?

সিঙ্গলস হায়বা অসি ফৌজুম ফৌহাম লাই হায়না খঙনবা চিকনপোক্স লায়না থোকহল্লিবা ভারিসেল্লা জোষ্টর ভাইরস হায়না খঙনবা হর্পিস ভাইরস মখল অদুমক্তা থোকহনবা লায়না মখল অমনি। অতোপ্পা হর্পিস ভাইরসকুম্না হায়রিবা ভাইরস অসি অহানবা শন্দোক্লবা ষ্টেজ অমগী মতুংদা শন্দোক্তনা তুমিন্না লোৎশিন্দুনা লৈবা ষ্টেজ অমা লৈজে। মসিগী মতুংদা করিমত্তা তাক্লমদনা, ভাইরস অসি অমুক পাঙ্গল কনখৎলকই।

চিকন পোক্স হান্না নাখ্রবা মীওইগী চাদা ২০ দি অমুক সিঙ্গলস লায়না নারকই। মসিগী ভাইরসনা অমুক কনখৎলকপা অসি হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল শোনবা মীওইশিংদা থোকল্লি। চহি ৫০গী মথক ওইবা অমসুং ঐচআইভিনা শোকহল্লবা মীওইশিংসু য়াওরিবনি।

হর্পিস জোষ্টর হায়বা ভাইরস অসি শিংলিগী শরুকশিংদা লৈ। সিঙ্গলসনা নারকপা অসি হাক্তচবা, হকচাং ইপঙ পঙবা, জিং জিং লাওবা নৎত্রগনা থবাক, নমগনদা পেটি অমনা লাকশিনবদৌনা তৌরকপা অমসুং মীৎ নাতোন ময়াদা নারকপদগী হৌরকই। য়াম্না তাঙনা থোকপা মওংদা মায় অমসুং মীৎকি শিংলিদা শোকহনবা য়াই। মসিনা চিনগী অকোয়বা, মায়, ঙক অমসুং কোক, নাকোংগী মনুং মাপাল নৎত্রগা নাতোনদা পোকখায়রকপা য়াওই।

সিঙ্গলস নাবদগী পোকখায়রকপা অসি হকচাংগী নাকল নাম্মদা তৌই। শোক্লবা শিংলি অদুগা মরি লৈনবা উনশাগী মপা অদুদা নুমীৎ খরনিগী মনুংদা ফুগ্রি অমা চোংথোরক্কনি। মদু ঈশিং হাল্লবা মতুংদা ঈশিং অদু কায়খ্রগা কুরোল হুরক্কনি।

সিঙ্গলসনা নারবা কনাগুম্বনা হায়রিবা ঈশিং হানবা অসি হোৎলুরবদি উনশাগী লায়না ওইনা নাখিবা য়াই। মসি লায়েংবদা এন্টিবাইওটিক শিজিন্নবা দরকার লৈ অমসুং দাকফম তাগল্লি।

অনাবা অয়ান্নদা ফুগ্রি অদু চয়োল খরগী মনুংদা ফখি অদুবু খরদদি থা নৎত্রগা চহীরোমদা য়াম্না নাদুনা লৈবা য়াই। অসুম্না শাংথনা নারবদি ফিভম অসিবু পোষ্ট হর্পেটিক ন্যুরালজিয়া হায়না খঙনৈ।

## সিঙ্গলস অমসুং ঐচআইভি

সিঙ্গলস হায়বা অসি এইডসনা শোকহল্লে হায়বা খঙদোক্লবা তৌরকপা লায়নাশিংগী মরক্তা নত্তে।

ঐচআইভিনা শোকহল্লবা মীওইশিংনা অকনবা (এন্টি-রেট্রোভাইরেল) হীদাকশিং শিজিন্নবা হৌবা মতুং ইকুই কুইদনা সিঙ্গলসনা নারকপা য়াই। মসিগী ফিভম অসিবু ইম্যুন রেসটোরেসন সিন্দ্রোমগী খুদম ওইনা ময়াম্না লৌনৈ (ফেক্ট সীট ৪৮৩ নৈনবীয়ু)

ঐচআইভিনা শোকহল্লবদি সিঙ্গলসনা নাবগী ফিভম হেন্না লুশিল্লক্কনি। মসিদা হকচাংদা অনাবা ফাওবা (পোষ্ট হর্পেটিক নুরালজিয়া) সু য়াওই। মসিদা নত্তনা করিগুম্বা অদোম্না মসেন-মরাং উরক্লবদি, অদোমগী লায়েংবীরিবা মীওই অদু খুদক্তা উনবীয়ু।

## মসি করম্না শন্দোক্লকপগে?

মীওই অমা চিকন পোক্স হায়বদি ফৌজুম ফৌহাম লাইনা নারবা মতুংদা সিঙ্গলসনা নারকই। কনাগুম্বা চিকন পোক্সনা নারুরবা মীওই অমনা সিঙ্গলস লায়ননা থোকহনবা অপোম্বগী ঈশিং অদুগা শোক্লরুবদা সিঙ্গলস 'লৌনরোই'। অদুবু চিকন পোক্স নাদ্রিবা মীওই অদু হর্পিস জোষ্টর ভাইরস লৌনরক্তুনা চিকন পোক্সনা নারকপা য়াই। মরম অদুনা সিঙ্গলসনা থোকহনবা ফুগ্রি নৎত্রগা ঈশিং হাল্লিবা অদুগা শম্নরুবা পোৎ খুদিংমক্তা (শোক্ত রোইদবনি।)

## সিঙ্গলস করম্না লায়েংগনি ?

সিঙ্গলস লায়না লায়েংনবগীদমক হীদাক মখল কয়ামরুম শিজিন্নরি। মসিদা এন্টি-হর্পিস ড্রগশিং অমসুং হকচাংদা নাবা হন্থহন্নবা হীদাক য়াওরি।

এন্টি-ভাইরেল হীদাকশিং ঃ সিঙ্গলসকিদমক খ্বাইদগী চানরিবা হীদাক্তি এসিক্লোভিরনি। মসি গুলি ওইনা চাবা নৎত্রগা য়াম্না শাথিবা ফিভমনা শিংলিদা কাপ্পা য়াই। অনৌবা হীদাক মখল অনিখকসু লায়না অসিগীদমক লায়েংনবা অয়াবা পীখ্রে। মখোয় অদুদি ফামসিক্লোভির অমসুং ভালাসাইক্লোভিরনি। হায়রিবা হীদাক অনি অসি নোংমদা অনিরক চাবা এসিক্লোভিরগা চাংদম্নবদা নোংমদা অহুম্লক চাগদবনি। হীদাক মখলশিং অসি সিঙ্গলসকি অনাবা হৌরকপা নুমীৎ হুম্নিগী মনুংদা চাবা হৌহৌরবদি খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

নার্ভ ব্লোক্করস **(Nerve blockers)** ঃ লায়েংলিবা মীওইশিংনা সিঙ্গলসনা নারবা মীওইশিংদা চিকপা নাবা তৌদনবা হীদাক কয়ামরুম থাই। সিঙ্গলসনা চিকপা নাবা অসি য়াম্না শাথীনা তৌহনবা মরম্না হীরম অসিদা থিজিল্লিবা মীওইশিংনা চিকপা নাবা অসি থিংনবা উপাই কয়া থিরি। পংথনবা হীদাক কাপ্পা নৎত্রগা ষ্টেরোইড শিজিন্নদুনা শিংলিবু পংথহন্নবা হায়বদি নার্ভ ব্লোক্কর ওইনা শিজিন্ননবা থিজিল্লি। মসি হকচাংগী অকোয়বদা চেল্লিবা শিংলি (পিরিফিরেল নার্ভ) নৎত্রগনা য়াংলেন শরুদা (সেন্ট্রেল নার্ভস সিষ্টেম) কাপ্পি।

উনশাগী লায়েং ঃ ক্রিম, জেল অমসুং স্প্রে মখল কয়া হীদাক ওইনা শিজিন্ননবা থিজিল্লি। মসিনা ঙাইহাক্কি ওইনা চিকপা নাবা হন্থহল্লি। মোরোকপু শাহল্লিবা কেপসাইসিন হায়রিবা কেমিকেল অসিনা অহানবগী ওইনা থিজিনবদা কান্নবা ফল পীরি। মসিগী মথক্তা, পংথনবা হীদাক লিদোকেনগী নপ্পবা মপাকশিং এফডিএনা ১৯৯৯ দা হীদাক ওইনা শিজিন্ননবা অয়াবা পীখ্রে। হায়রিবা অনাবা মপাদা নপ্পা লিদোদর্ম কৌবা

# হরপিস জোসটর (শিঙ্গলস)

SAATHII Solidarity and Action Against The HIV Infection In India

মপাকশিং অসি সিঙ্গলস নাবা মীওই খরদা চিকপা নাবা হন্থহল্লি। মসি উনশাদা নপ্পা মরম্না গুলি ওইনা চাবগুম্না সাইড ইফেক্ট লৈতে।

অতোপ্পা চিকপা নাবগী হীদাকশিং ঃ ৱাখল শোন্থবা, শারে হৌবা নৎত্রগা চিকপা নাবদা শিজিন্নবা হীদাকশিংসু সিঙ্গলসনা থোকহনবা চিকপা নাবা লায়েংনবা শিজিন্নে। অদুবু মসিনা মখল কয়াগী সাইড ইফেক্ট থোকহনবা য়াই। নোরট্রিপটাইলিন অসি সিঙ্গলসকি অনাবা ফনবা খ্বাইদগী তোয়না শিজিন্নবা এন্টিদিপ্রেসেন্টনি। শারে হৌবদা শিজিন্নবা প্রেগাবালিন অসিসু সিঙ্গলসনা মরম ওইদুনা চিকপা নাবা হৌরকপদা শিজিন্নে।

সিঙ্গলস অসি ঙাকথোকপা য়াব্রা? হৌজিক-হৌজিক্কি ওইনদি সিঙ্গলস লায়না শন্দোরকপা হান্না খঙদোকপা ঙমদ্রি।

অঙাংশিংদা পীরিবা চিকন পোক্স লায়নাগী টিকা অসিগী অকনবা মওং অমা অহলশিংদা থারবদি ভাইরস অসিবু নমথদুনা থম্বা ঙম্নবা হকচাংগী পাঙ্গল কলহনবা ঙমগনি হায়না হীরম অসিদা থিজিল্লিবা বৈজ্ঞানিকশিংনা উৎলি।

জোসটাভাক্স হায়না খঙনবা সিঙ্গলস লায়নাগীদমক মর্কনা পুথোকপা টিকা অমা এফডিএনা শিজিন্নবগী অয়াবা পীখ্রে। অদুবু ঐচআইভিগা লোয়নননা হিংলিবা মীওইশিং য়াওনা হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল শোন্থরক্লবা মীওইশিংদদি মসিগী হীদাক অসিগী কানবা লৈব্রা হায়নদি থিজিল্লি।

অরোয়বা ৱারোল

সিঙ্গলস হায়রিবা লায়না অসি হান্না খঙদোকপা ঙমদবা য়াম্না শাথিনা চিকপা নাবা তৌবা লায়না অমনি। মসি চিকন পোক্স শন্দোক্লিবা ভাইরস মহীক অদুনা অমুক মপাঙ্গল কনখৎলকপদগী থোকহনবনি। য়াম্না হকথেংননা মরী লৈনদ্রবসু, মসিগী লায়না অসি এইডসকা লোয়ননা হিংলিবা মীওইশিংদনা হেন্না তোয়না থোক্কলি।

সিঙ্গলস লায়না অসি চয়োল খরগী মনুংদা ফখ্রবসু মসিগা লোয়ননা তৌবা চিকপা নাবদি থা কয়ামরুম শাংথনা তৌবা য়াই।

এফডিএনা সিঙ্গলস লায়নাগী টিকা অমা পুথোক্লবসু হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল শোন্থরক্লবা মীওইশিংদদি কানবা পীব্রা হায়না নৈনদ্রি।

লায়না অসি নোংমদা এসিক্লোভির মঙারক চারগা লায়েংলি। করিগুম্বা ফিভম লুশিল্লক্লগনা শিংলিদা কাপ্পি। ফামসিক্লোভির অমসুং গালাসিক্লোভির অনৌবা হীদাক অনি অসি সিঙ্গলসনা থোকহনবা চিকপা নাবগীদমক শিজিন্নে। মসি নোংমদা অমুরক চাগদবনি।

সিঙ্গলসনা থোকহনবা চিকপা নাবা অসি খাঙবদা য়াম্না ৱাবা অমনি। খ্বাইদগী অনৌবা লায়েং মখল অমনা নারিবা মপা অদুদা পংথনবা হীদাক মপাক অমা হকথেংননা নপশিনবনি।

***Reviewed December 14, 2010***